# পি এম নরেন্দ্র মোদি, ইমান্যুএল মেক্রোন য়ু এননা চেম্পিয়ন ওফ দি আর্থ এৱার্দ পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমান্যুএল মেক্রোনবু য়ুনাইটেদ নেসন্স (য়ু এন) না চেম্পিয়ন ওফ দি আর্থ এৱার্দ পীদুনা ঈকায় খুম্নখ্রে।

পি এম মোদি অমসুং মেক্রোনবু পোলিসী লিদরশিপ ওইনা শক খঙখ্রে। ইন্টরনেসনল সোলর এল্লাইয়েন্স অমসুং ইনভাইরনমেন্টকী লমদা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌবগীদমক য়ু এননা লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্দ অদু পীদুনা ঈকায় খুম্নখিবনি। য়ুমশকৈশা নুমীৎতা অতোপ্পা ইনভাইরনমেন্ট চেঞ্জ মেকর মরিদসু মনা পীদুনা ঈকায় খুম্নখ্রে।

ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমান্যুএল মেক্রোন অমসুং ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি পোলিসী লিদরশিপ কেটগোরিদা চন্দুনা শক খঙখ্রে। মখোয়না ইন্টরনেসনল সোলর এল্লাইয়েন্স অমসুং ইনভাইর-নমেন্টকী লমদা থবক তৌবা অমসুং মতেং পীবগীদমক লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা অদু পীবনি। মেক্রোন্না গ্লোবেল পেক্ট ফোর ইনভাইরনমেন্টকী লমদা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌখি। অদুগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অমুক্তং শীজিন্নরগা তোকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং মুখৎনবা থবক পায়খৎখি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এনগী খ্বাইদগী ৱাংবা চেম্পিয়ন ওফ দি আর্থ কৌবা ইনভাইরনমেন্টকী লমদা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌবা মীওইশিংদা পীবা এৱার্দ অদু চহী অসিগী ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং প্রসিদেন্ট মেক্রোনদা মখোয়না তৌখিবা থবক থৌরমশিং অদুবু শক খঙবগা লোয়ননা পীখিবনি।

য়ু এননা মখা তানা ফোঙদোর-কখিবদা, কুমজা ২০২২ ফাওবদা ইন্দিয়াদা অমুক্তং শীজিন্নবা প্লাষ্টিক মখলশিং মুখৎনবা চপ চাবা থৌশিল অমগী মখাদা থবক পায়খৎলি। কোচিন ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টনা সষ্টেনেবল ইনর্জি শীজিন্নখিবা অদুগীদমক্তসু শকখঙবা ওইনা আর্থ এৱার্দ অদু পীরে হায়না লাউথোকখ্রে। মদু খ্বাইদগী হেন্না পূক্লিং থৌগৎপা অমনি হায়রি।

ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমান্যুএল মেক্রোন্না ইন্দিয়াগা রাফেল ফাইটর জেটকী দিল তৌনখিবা অদু লৈঙাক অনীগী মরক্তা তৌনবা দিল অমনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা এৱার্দ অদু পীরে হায়না লাউথোরকখিবনি। রাফেল দিলগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা শৌগৎকনি। হৌজিক ওপোজিসন পার্টিশিংনা রাফেল দিলগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অকনবা এটেক চথুরিবনি।

মেক্রোন্না হায়, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরদা চপ চাবা হক লৈ। অদুম ওইনমক দিল অদুগী মতাংদদি অহেনবা ৱাফমশিং ফোঙদোকউ হায়বা য়াখিদে। পি এম মোদি চুম্মী, লৈঙাক অমগা অমগগী মরক্তা খন্ন-নৈনবা অমনি। ইন্দিয়া অমসুং ফ্রান্সকা ঙাক শেনগী লমদা মপাঙ্গল কনবা অমসুং মতেং পীনবগী থবক চথুরি হায়খি।

# কোংগ্রেস পার্টিনা লৈঙাক পায়রবদি গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্সকী রেট হন্থহনগনি



চিত্রকুট, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী): কোংগ্রেস পার্টিনা কুমজা ২০১৯ দা লৈঙাক পায়রবদি গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি এস টি)গী রেটতা অহোংবা পুরক্তুনা পোৎলমশিংগী রেট হন্থহনগনি হায়না কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মীখল পাঙথোক্লবা শেম-শারিবা মধ্য প্রদেশকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লুচিংবা অদুনা চৎখিবগা লোয়ননা রাফেল দিলগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মথক্তা অকনবা এটেক চথুখি। লুচিংবা অদুনা হায়, হুরানবগী থবক চথুরে। করিগুম্বা ২০১৯ গী মীখলদা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রবদি অহোংবা কয়া পুরক্কনি হায়খি।

নুমীৎ নীনিগী খোঙচৎতা মধ্য প্রদেশতা লৈরিবা লুচিংবা অদুনা লোর্দ রামগা খ্বাইদগী নক্লবা মরী লৈনরিবা কামতানাথ লাইশঙদা চৎলুরবা মতুং মীয়ামগী মীফম অমদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা অপীকপা লল্লোন-ইতিক তৌবা মীওই কয়া মাঙ-তাকহল্লে। দিমোনেটাইজেসন অমসুং গবর সিংহ টেক্স লৌখৎতুনা মাঙ-তাকহল্লে। পার্টি অদুনা হেক লৈঙাক পায়রকপগা গবর সিংহ টেক্সতা অহোংবা কয়া পুরক্তুনা অচম্বা টেক্স মখল অমা ওইহনগনি। খ্বাইদগী হন্থবা চাংদা টেক্স লৌবগী মওং চৎনহনগনি। লোয়ননা থবক হেন্না পীবা ঙম্ননবা থৌশিল কয়া পায়খৎকনি। মমাঙ চহীদা লৈবাক অমা টেক্স অমা হায়বা পা দমদা জি এস টি হৌদোকখিবনি। অদুবু টেক্স মখল অসিনা মীয়াম্বু কা হেন্না ৱাহল্লে। রাফেল দিলগী মতাংদা লুচিংবা অদুনা হায়, হিন্দুষ্টানগী চৌকিদার ওইরিবা মীওই হুরানবা ওইরম্লে। কোংগ্রেসকী মতমদা তৌনখিবা দিল অদুদা য়াওরিবা ফাইটর জেট অমগী মমল শরুক অহুম হেনগৎহনখ্রে। লৈবাক অসিগী চৌকিদারনি হায়না ফোঙদোকচবা মীওই অদুগী ফুরিৎখাওদা লুপা ক্রোর লিশিং ৩০ চঙখ্রগনি। অনিল অম্বানিগী ফুরিখাওদা য়াম্লবা শেনফমশিং চঙখিগনি হায়বা অচুম্বনি।

অনিল অম্বানি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী নক্লবা মরুপ অমনি হায়না কোংগ্রেসকী লুচিংবা অদুনা মরাল শিবগা লোয়ননা ইন্দষ্ট্রিএলিষ্ট অদু লুপা ক্রোর লিশিং ৪৫ গী পুথরবনি হায়না মরাল শিরি। অনিল অম্বানিনা এয়রক্রাফ্ট অমফাওবা শাখিবা লৈতে। অদুম ওইনমক লুপা ক্রোর কয়াগী কন্ট্রক্ট অদু পীশিল্লে। হিন্দুষ্টান এরোনোটিক্স লিমিটেদ (ঐচ এ এল) দগী থবক অদু মুন্দুনা অনিল অম্বানিদা পীশিনখ্রে। চৌকিদারনি হায়জবা মীওই অদুনা লায়রবশিং, নহা ওইরিবা অমসুং মীয়ামদগী শেল লৌথোক্তুনা অনিল অম্বানিগী ফুরিৎখাওদা হাপচিন্নবা হোৎনরি। রাফেল দিলগী শেনফম অদু মীয়ামগীনি হায়খি।

নাকল অমরোমদা, অনিল অম্বানিনা রাহুল গান্ধীগী মফম অদু য়াখিদবনি। রাফেল দিল অদু ফ্রান্সকী সসোল্ট কম্পেনিগা য়ানবা অমা পুরক্তুনা লোকেল কম্পেনি অমগা থবক তৌমিন্নগদবনি হায়খি।

## নরেন্দ্র মোদি সিভাজিগা মান্ননা চাংদম্নখ্রে

মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর জোগি অদিত্যনাথনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু চত্রপতি সিভাজিগা মান্ননা চাংদম্নখ্রে। নাকল অমরোমদা জোগি অদিত্যনাথকী ৱাফম অদুবু শিব সেনানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

শিব সেনানা হায়, মরাথাগী নিংথৌরেল সিভাজিদি রাইওট পোলিটিক্স শান্নখিদে। ১৭ শুবা চহী চাদা মঙাল নাইনা পাল্লম্বা নিংথৌরেল সিভাজিগী লমচৎ-শাজৎকা খেন্নবা য়াম্না লৈ হায়না শিব সেনাগী এম পি সঞ্জয় রাওটনা ফোঙদোরক্লি।

উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টরনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু সিভাজিগা চাংদম্নরিবা করিগীনো। চত্রপতি সিভাজিদি কৈদৌনুংদসু ঈ-নাই তাহনবগী পোলিটিক্স চথুখিদে। লোয়ননা রাফেল দিলগী ৱাফম পল্লদুনা বি জে পিদা অকনবা এটেক চথুখ্রে। মীয়াম্না হৌজিক রাফেল ফাইটর জেট দিলগী ৱাফম অদু ময়েক শেংনা খঙবা পাম্মী। হান্না ওইরম্বা ফাইটর জেট অমগী মমলদগী শরুক অহুম হেনগৎলকখিবগী মরমসু খঙবা পাম্মী। ফ্রন্সকী হান্নগী প্রসিদেন্ট হোলেন্দনা ৱাফম খরা ফোঙদোরকখিবা মতুং মীয়ামদা অমুকহেন্না চমম্লবা পোকহল্লি হায়রি।

# সুস্মা স্বরাজনা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর জাবেদ জারিফ উনদুনা য়ু এসকী সেঙ্কসনগী মতাংদা খন্নখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী): এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা মহাক্কা ফম মান্নবা ইরানগী জাভেদ জারিফকা উনদুনা ইরানগী থাউ এক্সপোর্ট তৌবগী মতাংদা য়ু এসনা সেঙ্কসন তৌরকপগী মরমদা খন্নখ্রে।

ইরান্না থাউ থাদোকপগী মায়োক্তা য়ু এসনা থমজিল্লকখিবা সেঙ্কসন অদু নবেম্বর থাদগী চৎনবা হৌগদৌরিবনি হায়রি। য়ু এন জেনরেল এসেমব্লীগী ৭৩ শুবা মীফমগী মতায়দা লুচিংবা অনীনা উনদুনা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংগী মতাংদা খন্নখি। ইরান্না য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগা ন্যুক্লিয়ার দিল তৌনখিবগী মতাংদসু খন্নখি হায়রি।

হিরম অদুগী মতাংদা ইন্দিয়ানা মরী লৈনবশিংগা য়ানখিবা ৱাফম লেঙদনা লৈরি। থাউ থাদোক থাজিন তৌনবগী থৌশিলশিংদা ইরানসু য়াওখিবনি। সেঙ্কসন থমজিল্লকপা হায়বদু চুমদবা অমনি হায়না ফোঙদোক্লখি হায়না এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাঙলোয় রবিস কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

নাকল অনীমক্না ফীভম অদুদা লৌরিবা ফিরেপকী মতাংদসু কুপ্না খন্নখি। মালেমগী ওইনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মান্নদবা ফীভম কয়া লৈরিবনি। ফীভম অদু অফবা মায়কৈদা লাকহনবগী তঙাইফদবা লৈ।



য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগা ইরানগী তৌনখিবা ন্যুক্লিয়ার দিলগী মতাংদসু লুচিংবা অনীনা খন্নখি। ন্যুক্লিয়ার দিল অদু কায়খিবগী ৱাফম লাকখ্রবনি। অদুম ওইনমক ফীভম অদু করি ওইরকপা য়াবগে হায়বগী মতাংদা খন্নখি হায়রি।

মালেমগী ওইবা থৌশিলশিংদা ইন্দিয়াগী ফিরেপ অদু ইরানগী লুচিংবা অদুদা ময়েক শেংনা খঙহনখি। ইরানগী মথক্তা য়ু এসনা সেঙ্কসন থমজিল্লকপগী ফীভম অদু ময়েক শেংনা খঙমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। মরী লৈনবা কয়াগা ৱারী শানবগী মথৌ তারি। য়ু এসকসু হিরম অদুগী মতাংদা ৱারী শানগদবনি হায়রি।

ইন্দিয়া অমসুং য়ু এসকী মরক্তা হন্দক্তা ২+২ দাইলোগ চথুখিবা লৈখ্রে। ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা মীফম অদু মহৈ য়ানবা অমা ওইখিবনি। ৱাশিংতন্নসু লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অদু চেকশিন্না য়েংশিনখি। লোয়ননা মখা তানা থবক তৌমিন্নগনি হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোক্লখিবনি হায়রি।

ইন্দিয়ানা লৌরিবা থৌদাংগী মরমদসু য়ু এসনা নীংথিনা খঙজিনবা মথৌ তাই। অমনা অমগী অপান্বা অমদি লৌরিবা পোজিসনশিং খঙমিন্নবা হায়বদু খ্বাইদগী মরুওইবা অমনি হায়নসু কুমারনা মখা তানা ফোঙদোকখ্রে। ইন্দিয়ানা ইনর্জি অমসুং নেসনল সিকুরিটিগী লমদা থবক তৌমিন্নরি। চৎলিবা চহী অসিগী মে থাদা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা কুমজা ২০১৫ দা বরাক ওবামা অমসুং ইরানগা তৌনখিবা দিল হন্দোক্লে হায়না লাউথোরকখিবনি হায়রি।

# সর্জিকেল ষ্ট্রাইক নীংশিংদুনা ইন্দিয়ন নেভিনা নুমীৎ নীনি থৌরম পাঙথোক্লবা শেম-শাখ্রে

মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী): সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথুখিবগী অনীরকশুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ইন্দিয়ন নেভিনা নুমীৎ নীনিগী ওইবা থৌরম অমা সেপ্টেম্বর ২৯ দগী হৌদুনা পাঙথোক্লবা শেম শাখ্রে।

কুমজা ২০১৬ দা লাইন ওফ কন্ট্রোল লান্না ইন্দিয়াগী দিফেন্স ফোর্সনা টেররিষ্টশিংগী হৌরকফম ওইরিবা মফম অমদা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথুদুনা মাঙহন তাকহনখি। অদুগুম্বা নুমীৎ অদুবু লৈবাক অসিনা নীংশিংদুনা লাক্লি। ইন্দিয়ন নেভিনা থৌরম অদু মুম্বাইগী বল্লার্দ প্যার ক্রুইজর হ্বার্ফতা ৱেষ্টর্ন নেভেল কম্মান্দগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কনি।



থৌরম অদুগা মরী লৈননা এগজিবিসন ষ্টোল অমসুং ভিদিও ৱালস হাংদোক্কনি হায়না নেভিগী মচিন চৎপা অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুবু য়েংবা লাক্কদবা মীওইশিংগী চঙফম টাইগর গেটতগী ওইগনি। কুমজা ২০১৬ গী সেপ্টেম্বর ২৯ দা ইন্দিয়াগী থৌনা ফরবা লান্মীশিংনা চথুখিবা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক্কী শক্তমশিং উৎকনি। উরিগী থৌদোক্তা থৱায় কৎখ্রবা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংগী মফমদসু ঈকায় খুম্নবা উৎকনি হায়রি।

এগজিবিসন অমা য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লবা শেম-শারে। আর্মদ ফোর্সকী তৌবা ঙম্বশিংসু মীয়ামদা উৎকনি। লোয়ননা জহাজ, সবমেরিন, এয়রক্রাফ্ট, খুৎশু-খুৎলায় অমসুং ইক্বিপমেন্ট মোদেলশিংসু মীয়ামদা উৎতুনা য়েংহনগনি হায়রি।

ইন্দিয়ন নেভিগী জহাজ হাংদোক্তুনা স্কুলগী মহৈরোয়শিং অমসুং এন সী সীগী কেদেটশিং য়েংবা য়াহনগনি। এন সী সীগী কেদেটশিং অদু জহাজ, সবমেরিন অমসুং এয়র ষ্টেসনশিংদা চঙদুনা য়েংবা য়াহন্নবগীদমক্তসু থৌরাং তৌরি। ইন্দিয়াগী থৌনা ফরবা লান্মীশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা স্কুল তন্নিবা মহৈরোয়শিংগী ওইবা লেট্টর রাইটিং, কার্দ অমসুং পোষ্টর কম্পিটিসন কয়াসু পাঙথোক্কনি। অদুগুম্বা থৌরমশিং অদুনা লৈবাক অসিগী মহৈরোয় অমসুং এন সী সী কেদেটশিংগী পূক্লিং থৌগৎপা ঙমগনি হায়রি। লাইন ওফ কন্ট্রোল ৱাংমা লান্না লৈবা টেররিষ্টশিংগী কেম্প অমসুং ইন্দিয়াদা য়ৈখাই থিনগাইবগী হৌরকফম ওইরিবা মফম অমদা ইন্দিয়াগী থৌনা ফরবা লান্মীশিংনা কুমজা ২০১৬ গী সেপ্টেম্বর ২৮ অমসুং ২৯ গী লোন্নবা অহিংদা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথুখি। লান্মীশিংগী এটেক অদু অকক্লবা মফম অমদা টার্গেট তৌখি। লোয়ননা পামদবা নৎত্রগা মরী লৈনদবা মফমশিংদদি অশোয় অঙাম অমত্তা থোকহনখিদে হায়রি।

# উত্তর প্রদেশকী ভারতিয়া জনতা পার্টিগী এম এল এ অমগী মীরুটতা লৈবা য়ুমদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লম্লে, হেন্দ গ্রেনেদ লংশিল্লম্লে

মীরুট, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশকী ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) এম এল এ সঙ্গীত সোমগী মীরুটতা লৈবা য়ুমদা মশক খঙদবশিংনা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপশিল্লম্লে। লোয়ননা হেন্দ গ্রেনেদ অমসু লংশিল্লম্লে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।



এম এল এ অদুগী য়ুমদা ঙসি অয়ুক চথুরকখিবা এটেক অদুদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা অশোক-অপন নংখিবা লৈতে হায়রি। পাউ অসিগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৩ দা থোকখিবা মুজাফর নগর রাইওট কেসতা এম এল এ অদু চেন্নৈ। মহাক্লা ইনশিন্দুনা ঈরাং অদু থোকহনখিবনি হায়না মহাক্কী মথক্তা মরাল শিরকপা লৈখি। মীরুটকী লালকুর্টি লমদমদা লৈবা এম এল এ অদুগী য়ুমদা ঙসি পুং ১ রোম তাবদা এটেক অদু চথুরমখি। বি জে পিগী এম এল এ অদু ঙাক শেনবা পুলিস পর্সনেল মঙা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা সস্পেন্দ তৌখ্রে।

মীরুটকী সিনিয়র এস পি অখিলেস কুমারনা পাউমীশিংদা ফোঙদোক-খিবদা, এটেক চথুরমখিবা অদুগা মরী লৈননা পুলিস পর্সনেল মঙা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে। মখোয় এম এল এ অদুবু ঙাক শেল্লিবা মীওইশিংনি। মখোয়না মথৌ নীংথিনা তৌখিদবা অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লম্বা অদুদা চপ চানা খুৎ হন্দুনা ঙাকথোক্লবা হোৎনখিদে হায়না মরাল শিখি। থবক্তগী লৌথোকখ্রবা পর্সনেলশিং অদুদি হেদ কন্সটেবল সটবির সিংহ, কন্সটেবল সটেন্দ্র সিংহ, রঞ্জিব ভারত্তি, সুর্জিৎ সিংহ অমসুং মনিস কুমারনি হায়র।

ওফিসল ওইবা পাউ অমগী মতুংইন্না এম এল এ অদুনা থবক অমা চৎলুরবা মতুং ময়ুমদা হল্লকখিবা মীনিট খরগী মতুংদা নোংমৈ কাপশিনবা, গ্রেনেদ লংশিনবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। অরানবা তৌবশিংনা এটেক অদু চথুরল্লবা মতুং থুনা মফম অদুদগী চেনখি হায়রি।

য়ুম অদুদা লংশিল্লকখিবা হেন্দ গ্রেনেদ অদু লাইবক ফবদগী পোকখায়খিদে। খুৎলৈ থুনা মীওইশিং অদু মফম অদু থাদোক্তুনা চেনখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা এটেক চথুরম্বা মীওইশিং অদু মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি। লোয়ননা করিগীদমক এটেক অদু চথুরমখিবনো হায়বদুসু ময়েক শেংনা খঙবা ঙমদ্রি।

পুলিসনা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কেস অমা লৌখৎতুনা থিগৎপগী থবক চথুবা হৌখ্রে। এম এল এ সঙ্গীত সোমদা এটেক চথুবা লাকখিবা মীওইশিং অদু কার অমদা লাকখি। কার মনুংদগী য়ুম অদু তম্না নোংমৈ কাপশিল্লমখি। পুলিসকী পাউ মতুংইন্না শকখঙদবশিং অদুনা লংশিল্লমখিবা গ্রেনেদ অদু পিন শৎলমখিদে হায়না এক্সপার্ট টিম অমনা থৌদোক থোকফমদা চঙশিন্দুনা থিগৎপা হৌখ্রে হায়রি।

# অদিত্যনাথকী মায়োক্তা ৱাকৎলুবা মীওই অমা রেপ কেসকী মরালদা ফাখ্রে



লক্ষনৌ, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর জোগি অদিত্যনাথকী মথক্তা ৱাকৎলুবা এক্টিভিষ্ট অমবু রেপ কেসকী মরাল শিদুনা ফাখ্রে। পর্ভেস পরৱাজ (৬২) না কুমজা ২০০৭ তা জোগি অদিত্যনাথকী মথক্তা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎখিবা লৈখি। মতম অদুদা জোগি অদিত্যনাথনা হঙ্গৈইনিংঙাই ওইবা ৱাফম ফোঙদোকখি হায়বগী মতাংদা এক্টিভিষ্ট অদুনা চহী ১১ গী মমাঙদা কোর্টতা ৱাকৎখিবনি হায়রি।

গোরাখপুরদা লৈবা পর্ভেস পরৱাজ লৈবাকপোকপা নুমীৎকী নুমীদাংদা পুলিসনা ফাগৎখিবনি। মীওই অদুগী মথক্তা চৎলিবা চহী অসিগী জুন থাদা নুপী অমা ঈকায় খুম্নবা মাঙহনখি হায়না থাঙ্গৎলকখিবা কেস অমগা মরী লৈননা মীওই অদু ফাগৎখিবনি।

পুলিসনা কেস অদু চপ চাবা থিগৎলবা মতুং ককথৎখিবা লৈখ্রবনি। অদুম ওইনমক কেস অদু নৌনা অমুক হাংদোক্তুনা মীওই অদু ফাখি। অনৌবা খুদম চাংদম কয়া লাক্লে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা নুপী অদুদগীসু নৌনা ষ্টেটমেন্ট লৌখি হায়রি। কেস অদুগী মতাংদা এক্টিভিষ্ট অদুনা মহাকপু ফাবদগী ঙাকথোক্লবা এলাহবাদ হায় কোর্টতা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎতুনা হিয়ারিং চথুগদবা পুং খরগী মমাঙদা মহাক পুলিসনা ফাখিবনি হায়রি।

সিনিয়র পুলিস ওফিসর বিনয় সিংহনা ফোঙদোকখিবদা, পর্ভেস অমসুং অতোপ্পা মীওই অমনা নুপী অদুবু গেং রেপ চথুখি হায়না ৱাকৎ অদুদা পল্লকখি হায়রি। ইমুং-মনুংগী প্রোব্লেম অমা লৈবদগী নুপী অদুনা মতেং পাংবীনবগীদমক মখোয়গী মনাক্তা চৎখিবনি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না ৱাকৎলকখিবী নুপী অদু মেদিকেল এগজামিনেসন চথুবদা রেপ তৌখি হায়বা কনফার্ম তৌখ্রে হায়রি।

# ভ্যাপাম কেস : কোর্টনা সিনিয়র কোংগ্রেস লিদরশিংগী মথক্তা এফ আই আর লৌখৎনবা খঙহনখ্রে

ভোপাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী): ভোপালগী কোর্ট অমনা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর দিগবিজয় সিংহ, কমল নাথ অমসুং জেওটিরদিত্য স্কিন্দ্যাগী মখাদা এফ আই আর লৌখৎনবা খঙহনখ্রে।

ভ্যাপাম কেসকা মরী লৈননা আর টি আই এক্টিভিষ্ট অমনা খুদম চাংদম কয়া লৈরে হায়না ফোঙদোরকখ্রে। এদিসনল দিষ্ট্রিক্ট জজ সুরেশ সিংহগী স্পেসল কোর্টনা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা থাঙ্গৎলকখিবা প্রাইভেট কমপ্লেন অমা লৌখৎখিবগা লোয়ননা য়াথং অদু পীখিবনি। প্রাইভেট কমপ্লেন অদু



এদভোকেট সন্তোশ শর্ম্মনা ফাইল তৌরকখিবনি। জজনা খুদক্তা এফ আই আর অমা লৌখৎনবা পুলিসতা খঙহনখি। লোয়ননা মদুগী কোপি অমা কোর্টতা লানখৎলক্লবসু খঙহনখি। নবেম্বর ১৩ ফাওবগী মনুংদা হিরম অদুগী মতাংদা থিগৎপা লোইশিনগদবনি হায়রি।

মধ্য প্রদেশ প্রোফেসনল এগজামি-নেসন বোর্দনা লৌবা এগজামদা অরানবা কয়া তৌখি হায়বগা লোয়ননা হিরম অদুগী মতাংদা থিগৎতুনা লাকখিবনি। কেস অদুবু ভ্যাপাম কেস হায়না খঙনদুনা তৌখিবা অরানবশিং অদু থিগৎনবা হোৎনখিবনি। এদভোকেট সন্তোশ শর্ম্মনা প্রাইভেট কমপ্লেন অদু নিংথৌকাবা নুমীৎতা কোর্টতা থাঙ্গৎলকখি। ভ্যাপাম ৱাথোক অদুদা প্রসান্ত পান্দে অমসুং কোংগ্রেসকী লুচিংবা কয়া চেন্নৈ হায়না মরাল শিরক্লি।

# উত্তর প্রদেশতা বি জে পিগী সিট মশিং হেনগৎকনি




লক্ষনৌ, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশকী ওইনা কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিগী সিট মশিং হেনগৎকনি। কুমজা ২০১৪ দা বি জে পিনা ফংখিবা সিট মশিং অদুদগী হন্দক লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদনা হেন্না সিট মশিং ফংগনি। উত্তর প্রদেশতা লোক সভা সিট ৮০ লৈ। কুমজা ২০১৪ গী মীখলদা বি জে পিনা সিট ৭৩ ফংদুনা চাউনা মায় পাকখিবনি। হৌজিক মমাঙগী ফীভমশিংগা চাংদম্নবদা হেন্না ফগৎলে। মরম অদুনা সিট মশিং হান্নদগী হেন্না ফংবা ঙমগনি হায়না উত্তর প্রদেশ বি জে পি প্রসিদেন্ট মহেন্দ্রনাথ পান্দেনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, ওপোজিসন পার্টিশিংনা গ্রান্দ এল্লাইয়েন্স শেম্ননবা হোৎনরি। মদু বি জে পিবু লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মায়থিবা পীননবা থৌশিল অমনি। অদুম ওইনমক হৌজিক গ্রান্দ এল্লাইয়েন্সকী ওইথোকপা লৈতে। ওপোজিসন পার্টিশিংগী মনুংদা ৱাখল্লোন মান্নদবা অমসুং অহোবা কয়া লৈরি। করিগুম্বা এল্লাইয়েন্স শেল্লবা ফাওবদসু মখোয় কুইনা চৎলোই। লোয়ননা মায়থিগনি হায়রি।

বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি) অমসুং সমাজৱাদি পার্টি (এস পি) না দলিট অমদি মশিং য়ামজদবা কাঙবুশিংদগী ভোট ফংননবা হোৎনরি। বি এস পি অমসুং এস পিনা হায়রিবা মীওইশিং অদুদা ভোট বেঙ্ক শাগৎনবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক বি জে পিগী ওইবা ফীভম মমাঙদগী হেন্না ফগৎলক্লি। মরম অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা উত্তর প্রদেশকী ওইনদি হান্নদগী হেন্না সিট ফংবা ঙমগনি হায়খি।